নেসনল যোগসনা স্পোর্টস

# ষ্টেটকী শান্নরোয় ৬ সেমী চঙখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): মহারাষ্ট্রগী সনগমনরদা লৈবা দ্রুব গ্লোবেল স্কুলদা নেসনল যোগসনা স্পোর্টস ফেদরেসননা শীন্দুনা চথুরিবা অহুমশুবা সব-জুনিয়র অমদি জুনিয়র নেসনল যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপকী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা ষ্টেটকী শান্নরোয় ৬না সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

আর্টিষ্টিক সিঙ্গল ইভেন্টকী নুপীগী সব-জুনিয়র কাঙলূপ্তা চোংখাম সোনিয়া অমদি থিঙুজম খোইদম্বী অদুগা জুনিয়র কাঙলূপ্তা জেনিফর থোঙামনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

সব-জুনিয়র নুপাগী কাঙলূপ্তা সুরকুমার লোংজম অমদি জুনিয়র কাঙলূপ্তা মোইরাংথেম ধনঞ্জয় অমদি দিনর নাওরেমনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল

# এস দব্লিয়ু সীনা এম এম সী থোইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস (এস দব্লিয়ু সী) খোংমননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৬শুবা থিঙুজম ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা য়ূম্বু টিম ওইরিবা এস দব্লিয়ু সী খোংমননা এম এম সী মোংখাম লম্বীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস খম্বাতোননা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা য়ূম্বু টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। টি অনন্দনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী য়ূম্বু টিমগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা এম এম সীবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা রবিননা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা এম এম সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং জেটলিনা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী এস দব্লিয়ু সীগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা এম এম সীগী লোয়াবা অমদি এস দব্লিয়ু সীগী কমল অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৭ অমদি ৫৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা ত্রিঙ্কল এফ সী মোইরাংপুরেল অমদি এফ এফ সী সী অংথা ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

মোইরাংপুরেল টিমগী গোল অদুনা কিরননা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনখি। অংথা টিমগী গোল অদুনা ৱাই বঙ্কনা শান্নবগী ৭৯ শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা অংথা টিমগী এম রাজু শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

# সী সী মীট মথং চহীগী ফেব্রুৱারীদা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৬৪ শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ মীয়াম্না সী সী মীট হায়রগসু খঙনবা অসি মথং চহীগী ফেব্রুৱারীগী ২শুবা চয়োলদগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুর ষ্টেট লীগতগী টিম ১০, অম্ফা কপতগী টিম ৮, ৱিন্নর্স কপতগী টিম ১৪, অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতগী টিম ২ অমদি অতোপ্পা ষ্টেটতগী টিম ৪না শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা টিমশিংগী শান্নরোয়শিং সী আর এস অমদি সী এম এস তৌগদবনি হায়রি।

# গোল্ড মেদলিষ্ট চিঙ্খৈঙানবা পূক্নিং থৌগৎখ্রে




ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): থাইলেন্দগী ফুকেটতা হন্দক্তা থা অসিগী ৬তগী ১২ ফাওবা ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা ৱর্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপকী জুনিয়র নুপাগী কেজি ৭০গী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা চিঙ্খৈঙানবা অথোকপমবু ঙসি অথোকপম য়ুঠ য়ুনাইটেদনা শীন্দুনা অথোকপম হৈক্রেং মখোঙ লম্পাক্তা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খাঙবোক এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন রতননা থৌরমমপূ অদুগা থৌবালগী এদিসনেল এসপি (ওপস) ওক্রমচা ৱাংখোম্বনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা ইন্টরনেসনল লেভেলদা মেদল লৌরকপা হায়বসি ইরমদম অসিগী ওইনা চাওথোকচনিংঙাইনি অমদি মখা তারকপশিংদসু মায়পাকপা ওইরসনু হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংখিগনি অমদি মীয়াম্নসু অঙন্বা মতেং পাংমিন্নসি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না চিঙ্খৈঙানবা অথোকপমদা অচম্বা খূদোলশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা থৌবাল অথোকপমগী মীয়ামসু শরুক য়াখি।

# জে এন এন স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): জিরি ন্যুজ নেটৱর্ক কম্মিটিনা শীন্দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথুগদবা অনীশুবা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ক স্পোর্টস মীট ঙসি জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা কষ্টুরবা গর্লস হায় স্কুল প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা ওল জিরিবাম মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট এস সুশিলানা ফোঙদোকখিবদা, মতম অমদা জিরিবাম অসি ঈ-পাউগী লম্দা য়াম্না শোত্থনা লৈরম্বা অদু জিরি ন্যুজ নেটৱর্কনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাউগী লম্দা কান্নবা ফংহন্দুনা জিরিবাম অসি চাউখৎ থৌরাংগী লম্দা কান্নবা কয়া পুরক্লি। মতম অমদা পাউ অমা মীয়ামদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা থেংনরম্বা অৱাবশিং অদু জিরি ন্যুজ নেটৱর্কনা অচৌবা মতেং পীদুনা পাউশিং অসি মীয়ামদা খঙহন্দুনা লাক্লি হায়খি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী ভাইস প্রসিদেন্ট পি সিঙোমণি অমদি ৱিমেন্স এসোসিএসন ফোর সোসিও ইকনমিক দিভলপমেন্টকী প্রসিদেন্ট এন নিবারানীনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী ফাউন্দর এম রোমিওনা হৌদোক ৱারোল পীখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ইভেন্টশিং শান্নবা হৌখি।

# বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): নেহরু যুব কেন্দ্র বিষ্ণুপুরগী শেন্থং মখাদা দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (দি পি য়ু ভি ও) অমদি নম্বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন অনীনা খূৎশম্নুনা শীন্দুনা অহানবা ভিলেজ লেভেল অন্দর- ১৩ সব-জুনিয়র অমদি অন্দর-১৭ জুনিয়র বোইজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট মথং চহীগী জন্যুৱারী ১২দগী হৌদুনা নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি নম্বোল মায়কৈগী নহা ওইরিবা বেদমিন্টনবু থৱায় য়াওনা শান্নরিবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপীবা অমসুং লমজিং-লমতাকপগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। সব-জুনিয়র কাঙলূপকী ওইনা ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপতা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩ অমদি ২ পীগনি। অদুগা জুনিয়র কাঙলূপকী ওইনা লুপা লিশিং ৪ অমদি ৩গা লোয়ননা সর্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা নম্বোল মায়কৈগী শান্নরোয়শিংনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৬ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম ফংফমশিংদি দি পি য়ু ভি ও নম্বোলগী ওফিস, রোমান আইলেন্দ শোরূম নম্বোল অমদি লৈমা বূক ষ্টোর নম্বোল বজারনি।

# ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমদি শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা সোমসাই বট্টালিয়ন অসাম রাইফল্সনা উখ্রুল বেপ্টিষ্ট চর্চ এসেম্ব্লিগা খূৎশম্নদুনা উখ্রুল টাউনদা পোই ভিলেজগী নহাশিং অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা ঙসি শান্নখ্রে।

সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমদি লোকল মীয়ামগী মরক্তা ঈং-তপ্পা অমদি হেন্না অচেৎপা মরী ফগৎনবা পান্দমদা পাঙথোকপা প্রোগ্রাম অসিদা সোমসাই বট্টালিয়নগী কম্যান্দো কর্নেল মনোজ সিন্দেনা হৌদোকখি।

অসাম রাইফলসকী খোঙথাং অসিবু লমদম অদোমগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কৈথেলমানবী বট্টালিয়ননা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৈমপোকপমদা লৈবা য়ুঠ সোসল ৱেলফেয়র সেন্টর ক্লবতা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈমপোকপম ভিলেজগী মৈরা পায়বীশিং অমদি খুঞ্জাশিংসু শরুক য়াখি অমদি ফুটবোল অমদি ভোলিবোল ১০/১০ ক্লবকী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখি।

# ‘ঈ’ সর্টিফিকেট কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা মফম অহুম- সাইকুল, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি মোইরাংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) ‘ঈ’ সর্টিফিকেট কোর্স মথং চহীগী জন্যুৱারী ৯দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

সাইকুলগী ওইনা জন্যুৱারী ৯দগী ১২, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা জন্যুৱারী ১৬তগী ১৯ অদুগা মোইরাংগী ওইনা জন্যুৱারী ২৩দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি। কোর্স অসিদা শরুক য়াগদবা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংনা মখোয়-মখোয়গী কেন্দিদেট ২৪গী লিষ্টশিং জন্যুৱারী ৬ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কবা অম্ফাগী সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

# অম্ফানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সী ঐচ বিরেন্দ্রনা মহাক্কী ৱাঙ্খেদা লৈবা ময়ূমদা থা অসিগী ২৬তা মনুং মতম চাদনা লৈখিদববু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

# মুকুন্দ সসিকুমার ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংখ্রে

পুনে,দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): মহারাষ্ট্রগী বালেৱাদি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৩১দগী জন্যুৱারী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা এ টি পি টাটা ওপন মহারাষ্ট্রদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান মুকুন্দ সসিকুমার য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি খূৎশিন্নখ্রে।

চহী ২৫ শুরবা চেন্নাইদা পোকপা শান্নরোয় অসিনা চহী অসিগী অহানবা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রিদা চঙবা শান্নরোয় ওইরি।

মুকুন্দনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পোর্টুগলদা পাঙথোকখিবা আই টি এফ ফ্যুচর ইভেন্ট টাইটল লৌদুনা চহী ৫গী মতুংদা মহাক্কী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি অমদি মমাং থাদা ইজিপ্টতা পাঙথোকখিবা আই টি এফ ১৫ ইভেন্টতা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

প্রেমিয়র লীগ :

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা নোটিংহাম ফোরেষ্ট ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন,দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা নোটিংহাম ফোরেষ্টপু ৩-০দা চথুরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি ওল্ড ট্রেফফোর্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ১৫ শান্নখিবদা মেটচ ৯ মায় পাক্লগা ২ দ্রো ওইদুনা অমদি মেটচ ৪ মায়থীরগা পূন্না পোইন্ট ২৯ ফংদুনা টেবলগী ২৫ শুবা মফমদা লৈরি। নোটিংহাম ফোরেষ্টনা মেটচ ১৬ শান্নখিবদা মেটচ ৩ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো ওইদুনা অমদি মেটচ ১০ মায়থীদুনা পোইন্ট ১২ ফংদুনা টেবলগী ইরোই লোইবা মফমদগী ১ কাখৎলগা ১৯শুবা মফমদা লৈরি।




ওল্ড ষ্ট্রেফফোর্দ ষ্টেদিয়মদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমদি নোটিংহাম ফোরেষ্ট অনীনা শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইটেদকী মার্কস রাসফোর্দনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা এন্থোনি মার্সিএলনা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদকী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা নোটিংহামবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ফ্রেদনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

# সুধিরগী মহুৎতা থাংমিনলেন খনখ্রে


ইম্ফাল,দিসেম্বর ২৮(ঐচএনএস): এ আই এফ এফনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৬শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফিগী মণিপুর টিম শেম্নবা ৩শুবা ফেজকী শান্নরোয়শিং খনখিবদা য়াওখিবা এল সুধিরগী মহুৎ থাংমিনলেন মিসাও ওইনা খল্লে হায়না অম্ফানা খঙহল্লক্লি।

থাংমিনলেন মিসাও মথং চহীগী জন্যুৱারী ২২দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচিং কম ট্রায়লদা শরুক য়ানবা থা অসিগী ২৯গী অয়ুক পুং ৬তা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা লাক্কুনা মেনেজর অমদি কোচতা রিপোর্ট তৌরনবা অম্ফাগী সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।



HL-B/7933/4/12-3/02

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 672**

**FM Michel Bifulco (2339) - GM Kaiqi Yang (2481)**
**Titled Tue 3rd May Early chess.com INT (7), 2022.05.03**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 e6 | 2.Nc3 Bb4 | 3.Bf4 Nf6 | 4.Qd3 d5 |
| 5.O-O-O c5 | 6.dxc5 Nbd7 | 7.Nb5 Nxc5 | 8.Qd4 Qa5 |
| 9.Nc7+ Ke7 | 10.a3 Bxa3 | 11.bxa3 Qxa3+ | 12.Qb2 Qa4 |
| 13.e3 Bd7 | 14.Nxa8 Rxa8 | 15.Nf3 Rc8 | 16.Nd4 Nfe4 |
| 17.Bb5 Bxb5 | 18.Qxb5... | | |

**QUESTION :**
**Black to checkmate**

**Puzzle 671 Ans. :**

24. Qh8+ The white queen decoys Black's king.
Your moves: 24. Rxg3+
Your moves: 24. Qg6+
Your moves: 24. Qg5+
Your moves: 24. Qxf7+
Your moves: 24. hxg3
Your moves: 24. Qg4+
Kxh8 25. hxg3+ With a discovered check by the white rook. Kg8 26. gxf4+ With a discovered check by the white rook. The white rook attacks Black's king, which is defending the square h8. Kf8 27. Rh8# Back-rank mate
24. Qh8+ Kxh8 25. hxg3+ Kg8 26. gxf4+
1-0



HL-P/5089/2/12-30/01



HL-P/1068/24/12-5/1



HL-B/7893/13/12-12/-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com